# তুং কোয়হৌনবা ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিং তৌবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি অনৌবা লৌউ-শিংউগী কাঙলোন অমদি নত্তে। থায়নদগী হৌনা যূমথোং খুদিংদা য়েন, ঙানু, শা-ষণ কয়া অমা লোইবা চৎনরক্লি। মসিগী মথি ময়ুং পূন্নমক ইঙ্খোলদা/লৌবুক্তা হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা হৈদোক্তুনা হার ওইনা শীজিন্নে অমদি রসায়নগী অতোপ্পা পোৎলম কয়া অমা শীজিন্নদে। মসিবুনি ঐখোয়না ওর্গানিক ফার্মিং হায়না খঙনরিবা। সিক্কিমসি ওর্গানিক ষ্টেট হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রবনি। চীংগী মফম অয়াম্বদদি রসায়নগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবগী চাং অসুক্কী মতিক নেম্মী। ওর্গানিক ফার্মিংগী পুথোকপা পোৎলম কয়া মীওইবনা চাবদা অনা অয়েক্কী চাং য়াম্না হন্থে, নাদ-য়েক্তনা নুংঙাইনা পুন্সি নুংশাংনা লৈবা ঙম্মী। হৌজিক্কী মতমদদি মীশিং হেনগৎলকপনা লৌউ-শিংউবা, ইঙ্খোল কোয়দুনা মনা-মশিং থাবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক হন্থখ্রে অদুবু পোথোক্তি হেন্না পুথোকপা মথৌ তাবনিনা রসায়নগী হার কয়া অমা শীজিন্নরি। মসিনা লৈবাক লৈহাওদা অকায়বা পীবদা নত্তনা অকোয়বগী ফীভমদসু অহোংবা কয়া লাকহল্লি অমদি মীওইবা অমদি থৱায় পানবা খুদিংমক্তা লায়না কয়া অমা পোকহন্দুনা শিবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎহল্লক্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না ওর্গানিক ফার্মিংদা মায় ওনশিনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমা ওইরক্লে।

ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি সিষ্টেম অমনি। মসিদা রসায়নগী পোৎলম খুদিংমক হায়বদি হার, তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা ময়াম অমা শীজিন্নদনা শা-ষণগী ষন্থি, ষণযুং অমসুং মনা-মশিং পৎথ-পুমথহন্দুনা শেন্বা হার ময়াম শীজিন্নদুনা চান্নবা মনা-মশিং অসিনচিংবা ময়াম অমা থাবা অদুবুনি। অমরোমদনা লাইভ ষ্টোক ফার্মিং হায়বদি ঐখোয়না মশা চানবা, মরুম চানবা, শঙ্গোম অমদি অতৈ পোখোকশিং পুথোরক্লিবা শা-ষণ, য়েন-ঙানু, ওক-হামেঙনচিংবা কয়া অসি লোইবা অসিবুনি। ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিং হায়রগনা ঐখোয়না লোইরিবা লাইভ ষ্টোকশিংসি লোইবা মতমদা নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংবা অমদি থমগদৌরিবা মফমদু য়াম্না পীকপা/চীনবা মফমদা থন্বীরোইদবনি। লাইভ ষ্টোকশিংদা পীজবিগদৌরিবা মচিঙ্গাকশিংসি ওর্গানিক ওইনা পুথোক্লবা মচিঙ্গাক পীজবীগনি। লাইভ ষ্টোকশিং নারক্তুনা লায়েংলবসু মহৌশাদগী লৈজরক্লবা হীদাকশিং হার্বেল, অয়ুর্বেদিকশিং শীজিন্নবীগনি।

**ওর্গানিক ওইনা পুথোক্লবা করম্বা মতমদগী লোইবা হৌবীগনি ?**

(ক) মশা চানবা য়েন-ঙানু লোইগদৌবা ওইরগদি নুমিৎ নীনি শুবদগী ওর্গানিক্কী মচিঙ্গাক পীজবীরগা লোইবীবা য়ারে।

(খ) মরুম চানবা লোইবীগে হায়রগনা ওনবদগী নুমিৎ ১০ নি লৈরগা লোইবীবা য়ারে।

(গ) ওক ওইরগনা হাপ্তা তরুক হায়বদি মখোম খায়রবা মতুংদা য়ারে।

(ঘ) ষণনাও ওইরগনা মমাদগী হাপ্তা মরি শঙ্গোম থক্লবা মতুংদগী ওর্গানিক্কী মচিঙ্গাক পীজবীরগা লোইবীবা হৌবা য়ারে।

(ঙ) নীংশিংবীগদবা অমনা, ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিং তৌবা মতমদা জিন মেন্যুপুলেসন তৌবিরোইদবনি। এ আই তৌদুনা মচা লৌবদি য়াই অদুবু আই ডি এফ তোঙান্না মচা শেন্লগা মমাদা হাপচিনবদুদি য়াদে।

**ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক করম্না পায়খৎকনি ?**

(ক) লোইবীগদৌরিবা লাইভ ষ্টোকশিংদুগী অমদি পীজবীগদৌরিবা মচিঙ্গাক্কী মরমদা রেকোর্দ অমা থন্বীগনি।

(খ) ওর্গানিক লোমদা লাক্লবা লাইভ ষ্টোক খুদিংমক মখোয়সু থন্বীগদৌরিবা মফমদুগা চানবশিং ওইনা থন্বীগনি অমদি মখোয়গী কুনফম, পোথাফম মশা-মশাগী হৈনবী মওংদা লৈনবা শেন্বীগনি।

(গ) অশেঙবা নুংশিৎ-নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফমদা থন্বীগনি। মসিদসু নত্তনা থক্লবা ঈশিংসু মরাং কায়না থন্বীগনি।

(ঘ) লাইভ ষ্টোকশিং মখোয়গী অকোয়বগী ফীভম য়েংলগা মশাগী হান্নগী মওংদা মনিং তম্না মশা মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি পীজবিগদৌরিবা মচিঙ্গাক খুদিংমক ওর্গানিক ওইগনি অমদি মচিঙ্গাক খুদিংমক মফমদুগী ওর্গানিক মোদতা থন্বীগনি।

(ঙ) শজিক অমদি অতোপ্পা মচিঙ্গাকশিং ষন্থি ষণযুং অমসুং পৎথ-পুমথহল্লগা শেন্লবা হার কয়া শীজিন্নবীদুনা থাবীগনি অমদি মহৈ মরোংসু ওন ওন্দুনা থাদুনা লৈবাক লৈহাওগী ন্যুট্রিয়েন্টকী চাং হেনগৎহনগনি।

(চ) মহৈ-মরোং থাবা মতমদা তীলশিং অমদি নাপীশিংবু হীদাক শীজিন্নদুনা মাঙহনবগী মহুত্তা বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল শীজিন্নবীগনি।

(ছ) লাইভ ষ্টোকশিং পুথোক পুশিন তৌবদা য়ারিবমখৈ চেকশিন্না পুবিদুনা মশা ৱাহনবীরোইদবনি।

(জ) শা-ষণ চাদা নাওদা খুদিংমক ওর্গানিকলোমদা লোইবীগে হায়রগদি লোইগদৌরিবা অদুগী লোকেল কন্দিসন্দা হিংবা ঙমগদবখক্তমক লোইবীগনি।

(ঝ) লাইভ ষ্টোকশিংসি নারকপা মতমদসু হোমিওপেথিক্কী হীদাকশিং মনা-মশিংনা শেন্বা হীদাকশিং শীজিন্নবীদুনা লায়েংবীগনি।

(ঞ) করিগুম্বা য়ারক্তদুনা এন্টিবাইওটিক্স কয়া শীজিন্নবা তারগসু মদু মশাদগী পুরা চাথোক্লবা ৱিডদ্রোৱেলগী মতম লৈ। মসি লোইরগা ওর্গানিকলোমদা মায় ওনশিনবা তাই।

(ট) টিকা থাবা মতমদসু জেনিটিকেল্লি এনজিনিয়ার্ট তৌরবা টিকা শীজিন্নবা য়াদে অদুবু লিগেল্লি শীজিন্নদবা য়াদবা টিকা খুদিংমক শীজিন্নবা য়াই।

**কনভর্সন তৌবগী মতম ঃ**

- হায়রিবা মতমসি ঐখোয়না ওর্গানিকলোমদা মায় ওনশিনবা মতমদগী লাইভ ষ্টোক অমদি মচিঙ্গাক ময়ামদু ওর্গানিকলোমদা ওনশিল্লগা সর্টিফিকেট ফংহৌবদুনি।

- লাইভ ষ্টোকশিংগী পোখোকশিং ওর্গানিক ওইনা য়োনবা মতমদা মাগী কনভর্সনগী মতমসি য়ামদ্রবদা চহী অমা ওইগনি। মসিগী মনুংদা ঐখোয়না ওর্গানিক প্রদক্সন ষ্টেন্দার্দসি পীরিবা মতমদুনা মপূং ফাহনবীগনি।

**সার্টিফিকেটসন তৌবগী প্রোসেস ঃ**

(১) ওর্গানিক সিষ্টেম প্লানগা পূন্না এপ্লিকেসনগা লোয়ননা চঙগদবা ফী পীশিনবা

(২) অহানবা চৎতুনা য়েংশিনবা। মসিদা ক্লারিফিকেসন তৌবগা লোয়ননা অতোপ্পা খঙনিংবা ইনফোর্মেসন কয়া অমসু লৌবীবা য়াই।

(৩) ফিল্ড/ফেসিলিটি ইন্সপেক্ট তৌদুনা রিপোর্ট শেমদুনা ওর্গানিক সর্টিফাইড এজেন্সিদা পীখৎপা।

(৪) ফাইনেল রিভিয়ু তৌদুনা ফাইনেল এপ্রুভেল অমদি সর্টিফিকেট শেন্বা।

(৫) চহী খুদিংগী রিপোর্ট অমদি ইন্সপেক্সন তৌদুনা সার্টিফাইট তৌবা।

ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক্কী খুদোংচাবশিং ঃ

- ওর্গানিক ওইনা লোইরবা শা-ষণগী পোখোকশিং অফবা অমদি সেভ ওই। লোয়ননা পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহল্লি।

- মখোয়গী লৈফম চাফম লূ-নান্না ফংহনবা ঙমহল্লি। মখোয়না চাগদবা মচিঙ্গাক থাবা মতমদা তীলহাৎ হীদাক অমদি রসায়নগী হার শীজিন্নদনা থাবা ঙম্মী।

- ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিং তৌরগদি কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকপগী চাংসু হন্থে।

- পোখোক হেন্না পুথোকহনবা অমদি লৈবাক লৈহাও হেন্না লৈহন্নবা মচী ওইবা ন্যুট্রিয়েন্ট ময়াম অমা শীন-থুংবা ঙমহল্লি। নারকপা মতমদসু এন্টি বাইওটিক্স অমদি অতোপ্পা হীদাক শীজিন্নদ্রবনিনা অরেম্বদা চাদিং তৌহন্দে।

- ওর্গানিক ফার্মিংদা পুথোরক্লিবা পোখোক খুদিংমক সাইন্টিফিক অমদি তুং কোয়বা ঙমহল্লি।

**ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিং তৌবদা খুদোংচাদবশিং ঃ**

- অরুবা লায়না অমা লাকপদা এন্টি বাইওটিক্সনচিংবা হীদাক শীজিন্নবনা মসিদগী লেমহৌবা মাঙনীংঙাই ওইবা মচাকশিং লৌথোকপদা মতম শাংনা চঙই। লাইভ ষ্টোকশিং থম্নবগী অহেনবা মফম পীনবা হোৎনবা অসিসু অৱাবা অমনি।

- মখোয়গী পোথোকশিংসি কুইনা থম্নবা হোৎনবদা কেমিকেল হায়বদি ট্রাইসেদিয়ম পোলিফোসফেট, সোদিয়ম নাইট্রেটনচিংবা শীজিন্নদ্রগদি কুইনা থম্বা য়াদে। মসিনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

- ওর্গানিক লাইভ ষ্টোক ফার্মিংগী কাঙলোন লৈবনা মখোয়গী পোখোকশিং মমল ৱাংই।

- হান্না লৈরম্বা পোখোক্তগী ওর্গানিক্কী ওইবা পোখোকলোমদা লাকপদা মতম য়াম্না শাংনা চঙই।

ওর্গানিক্কী পোখোকশিংসি নোংমা নোংমগী দিমান্দ হেনগৎলক্লি। ঐখোয়গী অৱাং নোংপোক লমসিদদি অয়াম্বনা থায়নগী মওংদা লোয়নবসু য়াওরি। মরম অসিনা অতোপ্পা রসায়নগী পোৎলম কা হেন্না শীজিন্নদ্রিবৈদা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা য়াম্না তঙাইমক ফদ্রবা মতম অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক্কী পোৎলম কয়া চাবনা হকচাং ফনা লৈবা ঙম্মী। মরম অসিনা হকচাং ফবনা লননি হায়বসিগী পান্দমদা ফার্মিং অসিদা মায় ওনশিনসি। ●

# ফৌদা ব্লাষ্ট লায়না

– ডা. ৱাইখোম জিতেন –

ফৌদা য়াম্না তোয়না তাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ব্লাষ্ট হায়বা লায়না অসিসু অমনি। অদুগা লৌমীশিংনা লায়না অসি য়াম্না তোয়না পন্নবা ওইবনা ফৌনা খরবু ঙাংশিল্লক্লবদি ব্লাষ্ট ওইগনি হেক্তা হায়। তশেংবদি ফৌনাদা ঙাংশিল্লকপা খুদিংমক ব্লাষ্ট নত্তে। লায়না অসিনা পান্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাহনবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মমীংশিং থোল্লি। লায়না অসিনা পান্বীগী মনা, মতাং, চরোংগী মঙকশম অমদি ফৌ মরূগী মকুদা নাহনবা ঙমই। পান্বীগী মনাদা লায়না নারবদি অশংবা মনাদা কোহ্লিং মচুগী মফুৎ মফুৎ ময়াম অমা লৈবা থেংনগনি। অসিগুম্বা কোহ্লিংগী মফুৎ মফুৎ অদু মীৎ মওংদা হায়ফেৎ শাংতক তৌগনি। মফুৎ মফুৎশিং অদু অসুম চাওথোরকপা মতমদা ময়ায় অদু চন্ন মচু ওইনা ডৌথোরক্লগা মতাইশিং অদুনা কোহ্লিং মচু অদুম ওইনা লৈগনি। মীৎ মওং মানবা কোহ্লিং মচুগী মফুৎ মফুৎশিং অদু অসুম চাওথোরকপা মতমদা থংনবদা লৈবা অতোপ্পা মফুৎ মফুৎশিংগা শম্নখ্রবা মতুংদা মওং মরীল নাইদবা দাগফম ওইরকপদি য়াই। করিগুম্বা মতমদা ফৌ পান্বীগী মতাং মতাংশিং অদু মুনা খামদেরক্তুনা মন্ন-মরাদগী চুপখৎলক্লিবা মচিঙ্গাকশিং অদু ফৌ পান্বীগী ময়োল-মতোন য়ৌনা পুখৎপা ঙমদবা মতম ওইরকপা য়াওই। থৌওং অসিবুনা নোদ ব্লাষ্ট (মতাংদা তাবা ব্লাষ্ট) কৌই। অমরোমদা অমুক ফৌ চরোংগী মখোক্তা মুনা খামদেকপগা লোয়ননা ফৌ চরোংশিং মপূং ফানা মন্ন চঙহন্দনা ফৌহামনা অয়াম্বা ওইহনবা লাইওং অমা লৈ, মসিবুনা চরোং কংবী (নেক ব্লাষ্ট) হায়রগা খঙনৈ।

ব্লাষ্ট লায়নাগী মহীকশিং অদুনা ফৌ মন্নশিংদা তারবদি গ্লুম ব্লাষ্ট হায়না কৌই। থৌওং অসিদদি ফৌ মন্নশিং অদু ওইফম থোকপা ফৌগী মচু অদু ওইদনা মরাং মরাং লাংবা থেংনগনি। লায়না অসি মপূং ওইনা নাইট্রোজেন (য়ুরিয়া) গী চাং কা হেন্না চাইবা লৌফম ওইবগা লোয়ননা ফৌ য়াম্না কূংবা লৌফম্না হেন্না তৌগল্লি। অমরোমদা অমুক নুংশিৎতা য়াওবা ঈনিলগী চাং কা হেন্না ৱাংবা মতম, নুমিদাংগী মতমদা নুংশিৎ তপ্পা নৎত্রগা শুংশিৎ শিত্তবগা লোয়ননা নুমিদাংদা ওইগদবা মৈশাগী চাং অসি ১৭.২-২২.৮° সী ওইবা মতমদা লায়না অসি নাগল্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা হীদাক মখল কয়া অমা শীজিন্নবীবা য়াই।

(১) Tri Cyclazole 75% WP - হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা পম্প ৬-৭ লৌ শঙম অমগী লৌফমদা কাপথোকপীরবদি লায়না মখল অসি লায়না লাকশিনবা ঙমই।

(২) Tri Cyclozole 34.2% + Prepiconazole 10.7% (Savanah) ফৌ পান্বীশিং অদুদা ব্লাষ্ট লায়নাগা লোয়ননা ফৌখোক মুনা খান্বী (ষ্টেম রোট) নৎত্রগা ফৌনা মরাং মরাং লাংনা পৎশিল্লকপী (শেথ ব্লাইট) লায়না লৈরবদি হীদাক মখল অসিনা হেন্না ফৈ। হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ১২০না লৌ শঙম অমা কাপ্পা কোন্নৈ।

(৩) Metiram 700g/kg (Polyram) হীদাক মখল অসিনা ফৌদা লৈবা য়াবা দাগ মখল খুদিংগী লায়নাশিং ফহনবা ঙমই। লোয়ন-লোয়ননা ফৌদা জিঙ্ক ৱাৎপগী অৱাবদগী কোকহনবা ঙমই। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৪০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা গ্রাম ২৪০-২৮০গী চাংদা কাপ্পীবা য়াই।

(৪) Tebuconozole 50% + Trifloxy stroben 25% WG (Nativo) :- হীদাক মখল অসিনা ফৌদা ব্লাষ্ট খক নত্তনা ফৌনাদা মরাং মরাং লাংনা পৎশিল্লকপী (শেথ ব্লাইট) অমদি ফৌ মরূগী মচু ওনবা লায়নাশিংদগীসু ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। হীদাক মখল অসিগী গ্রাম ৮ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক গ্রাম ৫০না কাপথোকপীবা য়াই।

ফৌদা তারিবা লায়না অদু খঙদোকপীরগা মঙোন্দা করম করম্বা লায়না পূন্না নৎত্রগা মথক্তা তারিবনো হায়বদুগী মতুংইন্না মথক্তা পীজরিবা হীদাক মখলশিং অসিদা অমা কাপথোকপীবা মতমদা লায়নাশিং অদু লায়না ঙাকথোকপা ঙমগনি। অসুম তৌনা ফৌগী অহেনবা পোখোক পুথোক্লবগীদমক হীদাক মখল চুম্না খনবগা লোয়ননা ঈশিংদা য়ানফম থোকপা চাং চানা অমদি পম্প মশীং শুনা কাপ্পীগদবনি। ●

## DOCUMENT LOST

I have lost my Original Admit Card and Marksheet Certificate of B.A. 6th Semester (Pol. Science Honours), 2013 bearing Roll no. 123171 and Regn. no. 1002801039 of 2010 issued by Manipur University, Canchipur on the way between Kakching and Imphal on 15/8/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Karung Shongkhuplin Kom**
Mantak Village, # 8787747209

HL-P/3741/29

## JOB FOR X AND XII PASS

Lairiksu tamna tamna matam manghandana thabak touba yaraba, ishagi knowledge amasung experience loinana tunggi careersu matik chana semba yaraba Multi National Organisation amagi new Branch singidamak tongan-tonganba official post 71 gidamak athuba matamda thabak koujari.

Qualification : X, XII, Graduate
Age Limit : Below 30 yrs.
Income : Rs. 5,000/- to Rs. 37,000/- (PM)
Visiting Hour : 12 noon to 3 pm.

**NO DEPOSIT OR REGISTRATION REQUIRED.**
**All Male or Female or Freshers can apply.**

Athappa Meeoisinggidamak leipham chaphamgi facility leigani.

Apply toubiningbasingna athuba matamda contact toubiraku.

HL-P/3742/29, 2,6,12 **Contact : 9774986962, 8837369704**

## WANTED TEACHERS FOR A REPUTED COACHING CENTRE AT IMPHAL

| Subject | Class | Qualification |
|---|---|---|
| 1. Mathematics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 2. Hr. Maths | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 3. Physics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 4. Chemistry | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 5. Biology | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 6. Home Sc. | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 7. Biology | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 8. Mathematics | (6 - 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |

*** Preference is given to in service teachers.**
**FRESHERS ALSO CAN APPLY.**

**Contact : 9612441824 / 7628946313 / 8732022342**

HL-P/7808/23-30

## / খঙহঞ্জবা

The Light & Medium Transport Co-operative Society Ltd.না খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা সেপ্টেম্বরগী তাং ১৫গী মতুংদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা মৈতৈ চেঙ করবার তৌবগী ওইনা সোসাইটি অসিগী মেম্বর নৎতনা অমত্তা চঙবা য়াররোই। কনাগুম্বা সোসাইটিগী মেম্বর নৎতবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা মৈতৈ চেঙগী করবার তৌবীনিংবশিংনা সোসাইটি অসিগা পাউ ফাওনবীয়ু হায়জরি।

Sd/- **Khwairakpam Anand Singh**
Secretary, The Light & Medium Transport Co-operative Society Ltd. # 7085259574

HL-P/3743/29

## / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9

## / অৱাবা ফোঙদোকচবা



মতম শাংনা 24-Nambol A/C গী অৱা-নুংঙাই কয়াদা শরুক য়ামিন্নরক্লবা ঐখোয় পূন্নমকপু লমজিংবীরম্বা শ্রী থৌনাওজম বিরা সিংহ, (Ex) Minister & Education Director ওইবীরম্বনা হৌখিবা তাং ২৭/৮/২০২২ ইং থাংজ নুমিৎতা লৈখিদবদা ঙসি তাং ২৮/৮/২০২২ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা Senior Citizens & Intellectuals Association, 24-Nambol A/C গী Head Office তা Sr. Members শিংনা মিনিত (২) তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী থৱায়না মপূগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি। মহাক্লা লমদমসিগী লৌবীরম্বা চাওরবা থৌদাং অসিমদি মেনখৎপা ঙমদনা লৈহৌরগনি অমসুং এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি।

**হায়জরিবা : Secretary,**
Senior Citizens and Intellectual Association, 24-Nambol A/C

HL-P/3973/29

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 479/SDC/SWG of 2022**

Parties :- Huidrom Gopal Singh S/o (L) Huidrom Khamba Singh of Huidrom Makha Leikai.
-Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Huidrom Khamba Singh S/o (L) Angou Singh of Nungoi Huidrom Leikai.
-Opposite Parties

/ **NOTICE**

Sawombung, the 26th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 29-Nungoi পাট্টা ন: ... (অরিবা) 357 (অনৌবা) দাগ ন: 110 মোট এরিয়া 0.67 একর চাওবা অঙনফৌ লৌফমগী পাট্টাদার Huidrom Khamba Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চখৎরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/3740/29

/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্নবগী শংবদা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্নবগী শংবদা অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা য়াম্না নাবা অমদি থুপ্পা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা নুংঙাইতবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু প্রিক-প্রিক খোংলগা পূক কংখৎলগা লৈবা, খোঙ হাল্লগসু খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, ঐনা চাশিল্লিদুগা খোঙ হামদোক্লিদুগা য়াম্না খেন্নবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মন্নমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বগী কন্না শংবা মতমদা অমাংথোঙ মপান্দা তৎলগা য়াম্না নাবা অমদি থুপ্পা, নোংমা-নীনিসু খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূকচেপ নাবা, করিগুম্বদা নোংমা ফাদোক খোঙ শেংনা হামদোকখ্রবদি হকচাং খরা নুংঙাইবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলকপা, অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, নময়াং মরিনসু নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **S. Jadumani Singh**
Nambol Bazar

HL-B/7796/29

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

**Mutation Case No. 395/SDC/IW(N)Sekmai of 2022**
**Dt. 16/8/22**

Khomdram Shantikumar Singh S/o (L) Kh. Gokul Singh of Senjam Khunou Mayai Leikai.
-Petitoner

-Vs-

Late Khomdram Birjit Singh S/o (L) Kh. Mani Singh of Senjam Chirang.
-Pattadar

/ **NOTICE**

Sekmai, the 16/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 40-Senjam Khunou Under Patta No. 69 (old), 747 (New) Covered by C.S. Dag No. 1321/1569 গী area 0.13 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চখৎজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (North) Sekmai

HL-P/3971/29

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

**Mutation Case No. 396/SDC/IW(N)Sekmai of 2022**

Kharibam Bembem Devi W/o Late Shree Bishnu Burmman of Loitang Khunou.
-Petitoner

-Vs-

Shree Bishnu Burmman S/o Sedu Burmman of M.U. Gate.
-Pattadar

/ **NOTICE**

Sekmai, the 22/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 41-Loitang Khunou Under Patta No. 98 (old), 19 (New) Covered by C.S. Dag No. 131 গী area .28 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চখৎজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (North) Sekmai

HL-P/3971/29

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।